**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা ঙসি ময়াং ইম্ফালদা শাবা মল্টি পরপজর ইন্দোর হোল মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রিনা থৌবাল জিলাগী হৈরোক্তা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংসু য়েংশিনখ্রে।

৩) কেন্দ্রগী ফিসজরিজ, এনিমেল হজবেন্দরি অমসুং দেরিয়িংগী মন্ত্রি রাজিভ রঞ্জন সিংহ হয়েং আইজোলদা, অৱাং নোংপোক লমদমগী রিজনেল রিভিউ মিতিংদা শরুক য়াগনি।

৪) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হয়েং কুমশি চহিগী পদ্মা এৱার্দশিং য়েন্থোক্কনি।

অমসুং

৫) মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা ঙসি আমেরিকাগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মার্কো রুবিওগা নিউ দিল্লিদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নখ্রে।

------

খেমচান্দ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা হায়রি- শান্ন-খোৎনবগী লমদা লমদম অসিগী শান্নরোইশিংনা ভারতপু মালেমগী অতৈ লৈবাকশিং মশক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

খেল্লো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াং ইম্ফালগী চরোইখোং প্লে গ্রাউন্দদা শাবা মর্ল্টি পরপজর ইন্দোর হোলদা শঙ্গাবগী থৌরমদা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি হায়- শান্নরোইগী পুন্সি হায়বসি অৱা নুংঙাই অনিমক লোয়নবা খোঙচৎ অমনি। রাজ্য অসিদা হৌখিবা চহি খরদা ইরাং মায়োকদুনা লাকপদা মীয়ামা চাউনা অৱাবা মায়োকরি। সরকার অসিনা অথুবা মতমদা শান্তি হঞ্জিনহন্দুনা রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমদি চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎনবা লেপ্তুনা হোৎনরি। চীংগী লমদা হৌজিক উংখৎনবগী ফিভম লৈরিবা অসি কোকহন্নবসু লেপ্তুনা হোৎনরি।

মুখ্য মন্ত্রিনা শান্নরোইশিং অমসুং কোচশিংদা সার্তিফিকেটশিং অমদি প্লেগশিংসু য়েন্থোকখি।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা ঙসি থৌবাল জিলাগী হৈরোক্তা শেমগৎলিবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং য়েংশিনখ্রে।

শ্রী খেমচান্দনা হৈরোক্তা মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতি (এম.টি.য়ু)গী এক্সটেন্সন কেম্পস শেমগৎকদৌরিবা মফম অদু য়েংশিনখি। হান্নদি মফম অদুদা হৈরোক ইঞ্জিনিয়ারিং কলেজ শাগৎলম্বনি। অদুবু হৌজিক মদুদা এম.টি.য়ুগী এক্সটেন্সন কেম্পস ওন্থোকবা থৌরাং তৌরকপনি।

খোঙচৎ অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা পাব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী চীফ ইঞ্জিনিয়ারদা নেসনেল হাইৱে-১০২ ইম্ফাল-মোরে লম্বীগা কেম্পস অদুগা শমগদৌরিবা কিলোমিতর ৬ শাংবা লম্বী অদু ব্লেক টোপ তৌনবা খঙহনখি।

শ্রী খেমচান্দনা নৌনা শাগৎলিবা বিল্ডিংশিং অদু য়েংশিনবগা লোয়ননা সরকারগী মাইকৈদগী করি মতেং পাংবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিন্নবসু খঙহনখি। এম.টি.য়ুগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার দব্লিউ. চান্দবাবু সিংহনা মুখ্য মন্ত্রিদা চহি অসিগী জ্লাই-ওগষ্টতগী হৌগদৌরিবা একাদমিক সেসনগী ক্লাস খরা এক্সটেন্সন কেম্পস অদুদা হৌবগী অপাম্বসু ফোংদোকখি। মফম অদুদা মৈ অমদি থকবা ঈশিং নিংথিনা ফংহনগনি হায়বগী থাজবসু মুখ্য মন্ত্রিনা পীখি। মুখ্য মন্ত্রিনা

থৌবাল জিলাগী জৱাহর নবোদিয়া বিদ্যালয়দসু চত্তুনা ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংগা ৱারী ৱাতাই শান্নখি অমসুং স্কুল কেম্পসতা উ চারা কয়ামরুমসু থাখি।

মদুগী তুংদা মুখ্য মন্ত্রিনা হৈরোক্তা লৈবা কম্যুনিতি হেলথ সেন্তরদা চত্তুনা মফম অদুগী মীয়ামদা সেন্তর অদুনা ফংহল্লিবা খুদোংচাবা কয়া অদুসু য়েংশিনখি। মহাকা সেন্তর অদুগী ফিভম হেন্না ফগৎহনগনি হায়বগী থাজবসু পীখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হৈরোক্কী নুপী কৈথেলদসু চত্তুনা য়েংশিনখি।

শ্রী খেমচান্দগী খোঙচৎ অদুদা বিধান সভা সদস্য থোকচোম রাধেশ্যাম সিংহ, এম.টি.য়ুগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার দব্লিউ. চান্দবাবু সিংহ অমসুং ইদুকেসনকী কম্মিসনার নিংথৌজম জিওফ্রিসু লোয়নখি।

মিট (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন কোওর্দিনেতিং কমিতিগী মীহুৎ কাংবু অমগা ঙসি উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমসুং মাইনোরিতি কম্যুনিতিশিংগী চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা খন্নখি।

গাড়ি (এল)ঃ মণিপুর পুলিসকী অনৌবা গাড়িশিং মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা হয়েং অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা খুৎশিন্নগনি।

থৌরম অদুদা গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমসু শরুক য়াগনি।

রাজিভ ঃ কেন্দ্রগী ফিসজরিজ, এনিমেল হজবেন্দরি অমসুং দেরিয়িংগী মন্ত্রি রাজিভ রঞ্জন সিংহ হয়েং মিজোরমদা লাক্কনি। মহাকা আইজোলদা পাঙথোকপা অৱাং নোংপোক লমদমগী রিজনেল রিভিউ মিতিংদা শরুক য়াগনি।

মীফম অসিদা মরুওইনা অৱাং নোংপোক লমদমদা চত্থবা ঙা য়োকপা, শা-ষন লোইবা অমসুং শঙ্গোমগী পোথোক্কা মরী লৈনবা স্কিমশিংগী মতাংদা য়েংশিনগনি।

সন্দে(এল)ঃ স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া-নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টর ইম্ফালনা শিনদুনা সন্দেজ ওন সাইকলগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

তাকয়েল সাই কমপ্লেক্সতগী লমথাদুনা লমশাং ফাওদুনা চৎলবা মতুং সাই কমপ্লেক্সতা পন্থুংফম ওইখিবা খোঙচৎ অদুদা বিধান সভা সদস্য থৌনাওজম বসন্তকুমার, ৱেথ লিফতর নামৈরাকপম কুঞ্জরানি অমদি সাই এন.ই.আর.সি. ইম্ফালগী রিজনেল দিরেক্তর-সি.ধন্দাপানিনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা কম্মনৱেলথস গেমসতা তকমান ফংলকখ্রবা শান্নরোইশিংবুসু খুদোলপোৎ পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

কোকোমি(এল)ঃ কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্তিগ্রীতি (কোকোমি) গী ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টনা শিনদুনা নহাশিংগী বাইক রেল্লি অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

রেল্লি অদু ঙসি অয়ুক অৱাং সেকমাইদগী লমথারগা তোঙান তোঙানবা মফমশিং ফাওদুনা চৎলুরবা তুংদা ইম্ফালদা থুংলখিবা রেল্লি অদুদা বাইকর লিশিং অমরোম শরুক য়াখি।

স্কুল(এল)ঃ ওল মনিপুর রিকোগনাইজ প্রাইবেট স্কুলস ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা শিনদুনা স্কুল ইদুকেসনগী মরুওইবা পব্লিক ইকজামিনেসনশিং অমদি মসিদা মায়োকরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা ঙসি ইম্ফালগী সঞ্জেনথোংদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট গেষ্ট হাউসতা পাঙথোকখ্রে।

সেমিনার অদুদা ৱা ঙাংবদা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট-এল. জয় খুমননা হায়-রাজ্য অসিদা পাঙথোকপা মরুওইবা পরিক্ষাশিংদা নিয়ম চুমা পরিক্ষা পাঙথোক্তুনা শিক্ষাগী মগুন লৈহন্নবা পুন্না হোৎনমীন্নবা তঙাইফদে। মহৈ মশিং তন্বীবা অমসুং পরিক্ষা পাঙথোকপদা নিয়ম চুমা থবক তৌদুনা অফবা মীরোল অমা শেমগৎপগী অপাম্বসু শ্রী জয়না ফোংদোকখি।

থৌরমদুদা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ সনামহি লাইনিংগী চৎন-কাংলোন হায়বা হিরমদা নুমিৎ ৬ নি চথুরকপা ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি লিলোং চজিং মমাং লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা লোইশিনখ্রে। অপুনবা ইনাৎ শিনলোন লুপ, লিলোং চজিং অমসুং লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দনা খুৎশমদুনা শিনবা থৌরম অদুদা লাইনিং লাইশোলগী ওইবা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিংগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

ককচিং (এল)ঃ রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী তেংবাংগা লোয়ননা আই.এম. একাদমি ওফ কলচর ককচিং তুরেল ৱাংম নিংথৌপরেংনা শিন্দুনা থা অহুম চথুগদবা নুপী বাশোক্কী মতাংদা ৱার্কসোপ অমসুং নোংমগী প্রদক্সন হৌদোকপগী থৌরম ঙসি একাদমি অসিদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম (এল)ঃ নেসনেল য়ুথ প্রোজেক্ট (এন.ৱাই.পি) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী জেনেরেল এসেমব্লি ঙসি থৌবাল জিলাগী খাঙবোক পার্ট ৱান খুল্লাকপম লৈকাইদা লৈবা লালা মান্দপতা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী লাংঙাথেল কাংজৈবুংদা লৈবা পঞ্চায়ট ঘরদা ঙসি লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। ডাঃ প্রতিতা চেরিতেবল ট্রষ্টনা য়ু.এফ.ও শৎজাল একাদমি লাংঙাথেল ব্রাঞ্চ অমদি আইরন টিম লাংঙাথেলগা খুৎশমদুনা শিনখিবা কেম্প অদুদা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিংনা নাবা মীওই ২১৮ লোম লেমা লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকসু পীখি।

অমরোমদা, ৱাইদ এঙ্গল শগোলবন্দ মোইরাং হনুবা, আজিম প্রেমজি ফাউন্দেসন অমসুং চিলদ্রেন্স কল্লেক্তিভনা পুন্না খুৎশমদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ঙাইরাংবমদা ঙসি লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ৩০০ লোম লায়েংখি। কেম্প অসিগী মনুং চন্না লাইওন্স ক্লব ওফ কংলা অমসুং ববিনা ব্লড সেন্তর খাবৈশোইনা খুৎশমদুনা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। মদুদা পুন্না মীওই ৩০ রোমা ঈ দান তৌখি।

আরএসএস (এল)ঃ রাষ্ট্রিয়া সোয়ম সেবক সঙ্ঘ (আর.এস.এস)কী নুমিৎ ১৫ নি চথুরকপা সঙ্ঘ শিক্ষা ৱারঘা (সামিনিয়া) ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হরাওরৌদা লোইশিনখ্রে। থৌরম অদুদা শিখসার্থিশিংনা মখোয়গী হৈ শিংবা কয়া মীয়ামদা উৎখি।

এৱার্দ ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হয়েং পাঙথোক্কদবা সিভিল ইনভেষ্টিচর সেরেমোনিদা কুমশি চহিগী পদ্মা এৱার্দশিং য়েন্থোক্কনি। মসিগা মরী লৈননা অকাশবানিনা পিপলস পদ্মা ওন অকাশবানি হায়বা সেরিজ অসিদা তোঙান তোঙানবা থৌরম ১৬ শন্দোক্কনি। থৌরমশিং অসিনা মীয়ামদা পদ্মা মনা ফংলবা মীওইশিংগী থবক থৌরমশিং অমদি পুন্সিগী মরমদা খঙবা ঙমহনগনি। ইপিসোদশিং অসি ঙসি অমসুং হয়েং অকাশবানি গোল্ডদা শন্দোক্কনি। মসি নিউজ ওন এ.আই.আর এপপ অমসুং নিউজ ওন এ.আই.আরগী ওফিসিয়েল য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু তাবা ফংগনি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্কর অমসুং আমেরিকাগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মার্কো রুবিওনা নিউ দিল্লিদা ঙসি উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নখ্রে।

লুচিংবা অনিনা ভারত অমসুং আমেরিকা লৈবাক অনিনা লল্লোন ঈতিক, ইনর্জি, মোবিলিতি অমসুং লমদম লমদমগী ওইবা শুরক্সানচিংবা মরুওইবা লমশিংদা তেংবাং পীনবগী ৱাফম হেন্না চেৎশিনহনখি। লুচিংবা অনিনা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারী শান্নরবা তুংদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ডাঃ জয়শঙ্করনা লৈবাক অনিগী মরক্তা অথুবা মতমগী মনুংদা লল্লোন ঈতিক্কী য়ান্ন-ৱারোল অমা সহি তৌনবগী তঙাইফদবা ৱাফম ফোংদোকপগা লোয়ননা ইনর্জিগী লমদা তেংবাং পীনবগী থৌওংবু তরামা ওকই হায়না ফোংদোকখি।

ইরানগী উংখৎনরিবা ফিভমগী মতাংদা ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- ভারত অমসুং আমেরিকা লৈবাক অনিনা মালেমগী ওইনা থাউগী মমল হন্থহনবগী অপান্বা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- ভারত অসি আমেরিকা, ইজরেল, ইরান

অমদি অতৈ গল্ফ লৈবাকশিংগা অচেৎপা মরী লৈনবা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি।

শ্রী মার্কো রুবিওনসু ভারত অমসুং আমেরিকা লৈবাক অনি অসি তেরোরিজমগী চৈথেং ফংলবা লৈবাকশিংনি হায়না ফোংদোক্লদুনা লৈবাক অদুনা ২১ শুবা চহি চাগীদমক ইম্মিগ্রেসন সিষ্টেম মতমগা চুননা শেমবা হোৎনরি হায়খি।

এদভাইজরি ঃ লৈবাক অসিগী মীওইশিংনা তঙাইফদবা মরমগী নত্তনা দেমোক্রেতিক রিপাব্লিক ওফ কোঙ্গো, যুগানদা অমসুং সাউথ সুদানদা চৎতনবা সরকারনা এদভাইজরি থোকখ্রে। লৈবাকশিং অদুদা হৌজিক শন্দোরক্লিবা ইবোলা লায়নাগী য়েংদুনা এদভাইজরি অসি মখা তাবা নোতিস অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা চৎনগনি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়- হৌজিক লৈবাকশিং অদুদা লৈরিবা নত্রগা লৈবাকশিং অদুদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা ভারত মচাশিংনা ওথোরিতিনা থোকপা মীয়ামগী হকশেলগী নিতি নিয়মশিং ঙাকা চৎপগা লোয়ননা মপুং ফাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি।

হকশেল অমসুং য়াইফ যুম্বাল মন্ত্রালয়না হায়- হৌজিক ফাওবদি ভারত্তা ইবোলা লায়নানা নাবগী কেস অমত্তা থেংনদ্রি।

স্কিম ঃ কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না লুপা লিশিং ২২ থাদরগা থাগী ওইনা লুপা লাখ অহুমগী শেনফম ফংহনগনি হায়বা ক্বান্টম এ.আই. ইনভেষ্টমেন্ট স্কিম অমা কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমলা সিতারমন্না সোসিয়েল মিদিয়া পোষ্ট অমদা ফোংদোক্লিবা ৱাফম অদু অরানবনি হায়না সরকারনা শেংদোক্লি।

প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (পি.আই.বি)গী ফেক চ্যেক যুনিতনা হায়- ৱাফম অদু শাশিন্নবনি অমসুং ভাইরেল ওইরিবা ভিদিও অদু এ.আইনা শেম্বনি। শেল থুম মন্ত্রিনা অসিগুম্বা ইনভেষ্টমেন্ট স্কিম অমত্তা পুথোকখিবা লৈতে।

অসিগুম্বা চিংননিঙাই ওইবা নত্রগা মশক খঙদবা লিঙ্কশিংদা মীয়ামা চংবীদনবসু সরকারনা হায়রি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাংঃ ২৬ শুবা অরাম্বম সোমোরেন্দ্র নীংশিং কুমওন লিগ কম নোকআউট কেন্দ্রৱাইজ ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- ধ্রুবতারা কাংখুৎনা কৈশামথোং কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৯-১৬ তা থোইখ্রে। হয়েং ৱালিদা-ৱাবগাই পুথিবা খুন্দ্রাকপম শান্নগনি।

ফুটবোলঃ ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে.সি.এস.আই.সি.বি.ই. মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ফুটবোল ক্লব কুম্বী অমসুং রাইজিং এথলেতিক য়ুনিয়ন (রাউ) পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা- সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ক্লবনা য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ ১৬ শুবা অম্ফা সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ ২০২৬-২৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা দ য়ং ৱেলফ্যার ক্লবনা ইষ্টর্ন স্পোর্টতিং য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লব থম্বালখোং ইম্ফালনা এফ.সি ইম্ফালবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখি।

ফুটবোলঃ অহানবা কে.আর.সি. ত্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অনিসুবা সেমি ফাইনেলদা এ.কে.এফ.সি.সিনা জে.জে.এফ.এবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

তুরনামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা এ.কে.এফ.সি.সি অমসুং এস.আই.সি. সিংগা থা অসিগী ৩০ দা শান্নরগনি।

ফ্টবোলঃ  এন.সি.সি. একতা কপ ফোর অন্দর সভের্ন্টিন বোইজ ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা নেরোকা এফ.সি অমসুং মুফা পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখি, ইষ্ট কংলৈপাক এফ.এনা জি.এফ.এবু পাঞ্জল ৪-২ দা, সুফানা আই.এফ.এবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোলঃ  নোংচুপ কামেং য়ং জেনেরেসন ক্লবনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা ১৩ শুবা সন্মর স্পোর্টস মিট ওপন ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা লোইতাং অপুনবা এফ.সিনা এম.ৱাই.সি মহারাবীবু পাঞ্জল ৭-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোলঃ  ৫ শুবা ষ্টেট লেবেল ইন্তর ভিলেজ মেন্স ওপন ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মাষ্টর এফ.এ য়াইরিপোকনা বোলেরো এফ.সি সেক্তাবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা খুরাই এফ.সিনা ব্রদর এফ.সি কাইরংবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

বোক্সিং ঃ  থা অসিগী ২২ দগী হৌদুনা থৌবাল জিলাগী নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী কম্যুনিতি হোলদা চথরকখিবা ৬ শুবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ ঙসি লোইশিনখ্রে।  তুরনামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা ৱেথ কেটাগোরিদা শান্নরোই ৭৫ রোমা শরুক য়াখি। চেম্পিয়নসিপ অসিদগী খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা ষ্টেটকী চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াখি।

ক্রিকেট ঃ ৩ শুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেম্মা দেবী মেমোরিয়েল টি-ত্বেন্তি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা রিটচ নাগামপালনা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেলবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই.এ.সি য়াইস্কুলনা বি.এস.সি (বি) ব্রহ্মপুরবু রন ৩১ দা থোইখি ।

------